# রেস নাগামপালনা ৱিন্নর ওইখ্রে

**ইম্ফাল, মার্চ ৮ (ঐচ এন এস):**
মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিএসন (এম ভি সী এ)না শীন্দুনা লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা চথরক্লিবা ১২রকশুবা টি-২০ ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা লোইশিনবা নুমিৎতা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা রেস নাগামপালনা এন এ পি এস এ খা-ইম্ফাল মায়থীবা পীরল্লগা চথরক্লিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রে।



টিম অনীগী মরক্তা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী টোস রেসনা ঙমদুনা হান্না বেটিং তৌদুনা শান্নখি। অহানবা ইন্নিংসতা রেসনা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা অদুগী ওইনা অপীবা ওভর ২০ লোইবদা টিম অদুগী ৱিকেট ৮ তুরগা পূন্না রন ১৫৭ লৌবা ঙমখি। ইন্নিংস অসিগী ওইনা ওপনর বেটসমেন জয়ন্তনা বোল ৩৮ মায়োক্নবদা রন ৫৫ লৌদুনা টিমগী রন মশীং য়ামহন্নবা হোৎনবদা চাওনা মতেং পাংলমখি।

এন এ পি এস এনা টার্গেট রন ১৫৮ লৌবা ঙম্নবা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা অপীবা ওভর ২০ লোইবদা টিম অদুগী ৱিকেট ৯ তুরগা রন ১৩৮দগী হেন্না লৌবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু রেস নাগামপালনা রন ১৯দা মায় পাকখিবনি।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুগী মেন ওফ দি মেটচনা রেসকী ধৱননা তাখি। মহাক্না বোল ২২দা রন ২৪ অদুগা ওভর ৪দা ৱিকেট ৩ লৌরমখি।

চথরকখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী হায়েষ্ট রন স্কোররনা সাইক্লোনগী উশম রোবিনসননা ওইখি। মহাক্না ইন্নিংস মঙাদা রন ২৮৯ লৌরমখি। হায়েষ্ট ৱিকেট টেকরনা টি সী এম দি সী থোংজুগী নিংথৌজম সঞ্জিৎনা তাখি। মহাক্না ইন্নিংস ৬তা ৱিকেট ১১ লৌরমখি। অদুগা টুর্নামেন্ট অসিগী মেন ওফ দি সেরিজনা ইরেংবম ইবোবীনা তাখি।

# এ কে এস দি ও খাঙবোক্না শেদো থাংমৈবন্দ মায়থীবা পীখ্রে

**ইম্ফাল, মার্চ ৮ (ঐচ এন এস):**
মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএশন (এম এন সী এ)না শীন্দুনা হৌজিক চথরিবা ৪রক শুবা এম এন সী এ সিনিয়র ৱিমেন্স ৱান দে ট্রোফি ২০২৪-২৫গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা এ কে এস দি ও খাঙবোকনা শেদো থাংমৈবন্দবু রন ৮১দা মায়থীবা পীখ্রে।

ঙসি অয়ূক অঙনবদগী হৌরগা এস ঈ দি ও সী গ্রাউন্দ কোংবা ধোবী লম্পাক্তা টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী টোস শেদোনা ঙমদুনা হান্না ফিল্ডিং তৌনবা খনখিবদগী অহানবা ইন্নিংসতা এ কে এস দি ওনা বেটিং তৌদুনা শান্নখি। এ কে এস দি ওনা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা দাইনা মোইরাংথেম অমসুং লাংলেন নিংথৌজমনা ওপনর বেটসমেনশিং ওইখি। লাংলেন নিংথৌজম বোল ৩ মায়োক্নবদা রন অমত্তা লৌরমদনা আউট ওইখ্রবসু মহাক্কী মতুংদা থোক্লকখিবা বেটসমেন টানিয়া অমসুং অতোপ্পা ওপনর বেটসমেন দাইনানা হৈন-শিংনা শান্নদুনা টিমগী রন মশীং য়ামহনবদা অচৌবা মতেং পাংলমখি। ইন্নিংস অসিগী ওইনা অপীবা ওভর ৩৫ লোইবদা এ কে এস দি ওগী ৱিকেট ৭ তুরগা পূন্না রন ১৭৬ লৌবা ঙমখি।

শেদোনা টার্গেট রন লৌবা ঙম্নবা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা টিম অদুগী বেটসমেন অয়াম্বনা মায়োক্নরিবা টিমগী বোলরশিংগী এটেক মপূং ফানা মায়োক য়াবা ঙমখিদবদগী ওভর ২৬.৩ লোইবদা টিম অদুগী ৱিকেট ১০ মক তুরগা রন ৯৫ খক্তমক লৌবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু এ কে এস দি ওনা রন ৮৮দা মায় পাকখিবনি। ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী ৱিমেন ওফ দি মেটচনা এ কে এস দি ওগী দাইনানা তাখি।

# মণিপুরদগী শান্নরোয় ৬ খল্লক্লে

**ইম্ফাল, মার্চ ৮ (ঐচ এন এস):**
ফিফা ইন্টরনেশনল ৱিন্দো-৬কী ওইনা ইন্দিয়াগী স্কৱাদতা মণিপুরদগী শান্নরোয় ৬ খল্লক্লে। ইন্দিয়াগী স্কৱাদতা য়াওনবগীদমক খল্লকখ্রবা শান্নরোয়শিং অদুদি দিফেন্দরশিংদা রোশন নাওরেম, চিংলেনসনা কোন্সম, বোরিশ থাংজম অদুগা মিদফিল্ডরশিংদনা সুরেশ ৱাংজম, মহেশ নাওরেম অমসুং জিক্সন থৌনাওজমনি। মখোয় তরুক ইন্দিয়াগী টিমদা খল্লকখিবা অদুবু ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশন (অম্ফা)গী মায়কৈদগী থাগৎপা অমদি নুংঙাইবা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা তুংদা লাক্কদবা টুর্নামেন্ট কয়াদা শান্নরোয় ৬ অসিনা চাওনা মায় পাকপা ঙম্বা ওইরসনু হায়না অম্ফাগী জেনরেল সেক্রেটরি এল জ্যোটিরমোই রোইনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

# থা অসিগী ৩১ ফাওবা শাংদোক্লে

**ইম্ফাল, মার্চ ৮ (ঐচ এন এস):**
মণিপুরদা লৈরিবা বোদি বিল্ডরশিংগী ওইনা ট্রান্সফর সিজন অসি চহী খূদিংগী মার্চ ১দগী মার্চ ১৫ ফাওবা ওইদুনা লাকখিবনি। অদুমওইনমক চৎলিবা চহী ২০২৫গী ওইনা ট্রান্সফর সিজনগী মতম অসি থা অসিগী ৩১ ফাওবা শাংদোক্লে হায়না ওল মণিপুর বোদি বিল্ডর্স এসোসিএশন (এ এম বি বি এ)গী জেনরেল সেক্রেটরি য়ুম্লেম্বম সুনন্তনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, ওল মণিপুর বোদি বিল্ডর্স এসোসিএশনগী মখাদা এফিলিএট তৌরিবা জিমশিংগী রেজিষ্টর বোদি বিল্ডরশিংনা ট্রান্সফর ফোর্ম অদু খুমন লম্পাক্তা লৈবা এ এম বি বি এগী ওফিসতা অয়ূক পুং ৬তগী অয়ূক পুং ৯ ফাওবগী মনুংদা লাক্লগা তৌরবা য়াগনি। ফোর্মগী মমলনা লুপা লিশিং ১ ওইগনি। ফোর্ম থাজিল্লকপগী অরোইবা মতম্না থা অসিগী ৩১গী নুংথিল পুং ৪ ফাওবা ওইগনি হায়রি।

# ফুটবোল এগজিবিশন মেটচ শান্নখ্রে

**ইম্ফাল, মার্চ ৮ (ঐচ এন এস):**
এ এফ সী ৱিমেন্স দেগা মরী লৈননা অম্ফানা শীল্লগা লম্লোং থোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা নুপীশিং খক্তগী ওইবা ফুটবোল এগজিবিশন মেটচ অমা শান্নখ্রে। ঙসিগী থৌরম অদুদা ৯শুবা আই আর বিগী কম্যান্দেন্ট খোইস্নাম সর্মা, এ আই এফ এফকী মেম্বর এম রতনকুমার অমদি অম্ফাগী এক্টিং প্রসিদেন্ট দি বি কোৱরনা মরুওইবা মীওইশিং ওইনা শরুক য়াখি।



Title : Daffodils
By : Barnita Meinam
Class : II Roll No. : 6 Sec. : A
School : Little Flower School




Title : Flowers
By : Biden Oinam
Class : KG Roll No. : Sec. :
School : JJ School



Title : Scenery
By : Kangjam Brenny
Class : IV Roll No. : 6 Sec :
School : Vale Academy, Imphal



Title : Flag
By : Sorensangbam Daniel
Class: II Roll No. : 16 Sec. : A
School : M.S. Global Academy, Thoubal



Title : Goku
By : Goldson Kh.
Class : II Roll No. : 3 Sec. : A
School : M.S. Global Academy, Thoubal



Title : Nest Making Bird
By : Henthoisana Heiyam
Class : II Roll No. : 28 Sec : Coral
School : Heritage Convent




Title : A Man
By : Korounganba
Class : II Roll No. : 24 Sec. : A
School : Sainik Foundation School



Title : Scenery
By : Lanchenbi Naorem
Class : IV Roll No. : 51 Sec. : G-2
School : Ratankumar Memorial School



Title : House
By : Lanleibi
Class : I Roll No. : 41 Sec. : B
School : M.S. Global Academy, Thoubal



Title : Scenery
By : Khuraijam Likla Chanu
Class: II Roll No. : 3 Sec. : C
School : Standard Robarth Higher Sec. School



HL-B/9397/9

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com